# ‘ইজরেলনা মথংদা শোক্লগদবা গজাগী লাল অরোইবা লাল ওইগনি মরমদি মিলিটেন্টশিং পুংমুৎ মুথৎকনি’



জেরুসালেম, ওক্টোবর ২৪ :

ইজরেলনা গজাগী মিলিটেন্টশিংগা শোক্লগদৌরিবা মথংগী লাল অদু অরোইবা লাল ওইগনি মরমদি ‘ঐখোয়না মখোয়বু পুংমুৎ মুথৎলগনি’ হায়না ইজরেলগী দিফেন্স মিনিষ্টর অভিগদর লৈবরমেননা নিংথৌকাবা নুমিৎতা পেলেষ্টিনিয়ন পাউচে অমগী ইন্টরভিয়ু অমদা ফোঙদোকখ্রে।

অদুম ওইনমক লৈবরমেননা গজাদা মহাক্না অনৌবা লাল অমা হৌনিংবগী অপান্বদি লৈতে হায়খ্রে। হৌখিবা কুমজা ২০০৮ দা গজাগী লাল হৌখিবদগী মথং লাল অমা শোক্লবা তারবদি মদুনা নাকল অনীগী মরিরকশুবা লাল ওইগদৌরিবনি।

মহাক্না পলেষ্টিনিয়নশিংদা গজা ষ্ট্রিপ রন তৌরিবা ইস্লামিষ্ট মুভমেন্ট হমাসতা অঙাও-অফৈগী পোলিসীশিং লেপহন্নবা তকশিনখি।

‘দিফেন্সকী মিনিষ্টর ওইনা গজা ষ্ট্রিপতা নৎত্রগা ৱেষ্ট বেঙ্কতা, সিরিয়াদা নৎত্রগা লেবানোনদা লৈরিবা ঐখোয়গী য়ুমথংনবশিংগী মায়োক্তা লাল অমা হৌনিংবগী অপান্বা ঐখোয়দা লৈতে’ হায়না জেরুসালেমদা বেজ তৌবা অল-কুদস পাউচেগী ইন্টরভিয়ু অমদা মহাক্না হায়খি।

‘তৌইগুম্বসুং ইরানিয়নশিংগুম্না, গজাদা মখোয়না ইজরেল ষ্টেটপু মাঙহনখিবা নৎত্রগা মুথৎপা পামই। করিগুম্বা মখোয়না ইজরেলদা মথংগী লাল অমা থোকহন্নবা হোৎনরক্লবদি মদুনা মখোয়গী অরোইবা লাল ওইগনি।

ঐহাক্না অমুক হন্না কাওদনবা হায়রি মদুদি মদু মখোয়গী অরোইবা লাল ওইগনি মরমদি ঐখোয়না মখোয়বু পুংমুৎ মুথৎকনি।’

প্রাইম মিনিষ্টর বেঞ্জামিন নেটনয়াহুগী কোলিসনগী মশক নাইবা মেম্বর কয়ানা পালেষ্টিনিয়ন ষ্টেট অমা শেম্বগী ৱাফম ফোঙনা ওপোজ তৌবগা লোয়ননা লৈবরমেন অসি ইজরেলগী পুৱারীদা পুংহেন হেনবা রাইট ৱিং গভর্ণমেন্ট অমগী শরুক্নি।

তৌইগুম্বসুং সিক্যুরিটিগী ৱাখল চেনবা হার্দলাইনর অমা ওইনা খঙনবগা লোয়ননা লৈবরমেন্না কনফ্লিক্ট অদু লম ওন্থাং-ওনশিন তৌনবদা য়ুম্ফম ওইরগা ষ্টেট অনী লৈহনবগী সোল্যুসনদা থাজে।

মহাক্না ৱাফম অসি ইন্টরভিয়ু অদুদা নৌহৌননা নিংশিংখি। মহাক্না অরোইবা পিছকী দিল অমদা ওক্যুপাইদ ৱেষ্ট বেঙ্ককী মরু ওইবা সেট্লমেন্ট ব্লোকশিং ইজরেলগী শরুক ওইহনগদবনি হায়খি।

হৌখিবা মে থাদা ওফিস পায়বা হৌখিবা লৈবরমেননা পালেষ্টিনিয়ন প্রসিদেন্ট মাহমুম অব্বাসপুসু ক্রিটিসাইজ তৌখি। অব্বাসপু মহাক্না পিছ পুরকপা য়াগদবা মওংদা অরুবা কম্প্রোমাইজশিং য়ানবা হোৎনদে হায়না মরাল শীখি।

পোলশিংদা পলেষ্টিনিয়নশিংনা চহী ৮১ শুরবা মীওই অদু রিজাইন তৌহনবা পাম্লে হায়বসি উৎখ্রে হায়রদুনা করিগুম্বা মীখল পাঙথোকপা তারবদি অব্বাস মায়থীগনি হায়না মহাক্না প্রেদিক্সন পীখি।

অসিগুম্বা মীখলশিং পাঙথোকপনা অব্বাসকী সেক্যুলর ফাটাহ পার্টিনা হৌজিক দোমিনেট তৌরিবা ৱেষ্ট বেঙ্কতা হমাসনা পৱার পায়রকপা য়াই তৌইগুম্বসুং মহাক্না তোঙানবা ফীভম অমা লাকপা য়াই হায়না থাজে হায়খি।

‘পলেষ্টিনিয়ন ওথোরিটিদা হৌজিক লৈরিবা ফীভমদু খঙবা ঙম্বা ৱাখল তাবা মীশিং মতীক চানা লৈ। করিগুম্বা হমাস অমসুং ইজরেলগী মরক্তা খনবা তারবদি মখোয়না ইজরেলবু পার্টনর ওইনা চৎমিন্নবনা হেন্না ফগনি হায়না মখোয়না খল্লি হায়না মহাক্না হায়খি।

লৈবরমেননা হন্দক্তা পলেষ্টিনিয়ন লিদরশিং কাল্লগা কম্যুনিটিশিংদা হকথেংননা য়ৌনবা হোৎনখি অমসুং মহাক্কী ইন্টরভিয়ু অদুসু মসিমক্কী পান্দমদা চথখিবা মাল্লি। অলকুদসপু পলেষ্টিনিয়নশিংনা সোসল মিদিয়াদা কন্না ক্রিটিসাইজ তৌখি। পাউচে অসিনা ইজরেলি ওফিসল অমবু ইন্টরভিয়ু তৌরম্লোইদবনি হায়না মখোয়না হায়খি।

## কেম্মরুনদা ট্রেন গুরুং চৎপদা য়ামদ্রবদা মীওই ৭৫ শিখ্রে

য়াওৱান্দে, ওক্টোবর ২৪ :

হৌখিবা ওক্টোবর ২১ দা কেম্মরুন্দগী কেপিটেল য়াওৱান্দে অমসুং লৈবাক অসিগী হিথাংফম সিটি দৌৱালাগী মরক্তা চেনবা মী ১,০০০ হেন্না তোংবা পেসেঞ্জর ট্রেন অমা ইসেকা টাউনগী মনাক্তা গুরুং চৎখ্রে অমসুং য়ামদ্রবদা মীওই ৭৫ শিখ্রে হায়রি।

কেরিয়েজশিং মথক্তা ওনখিবা, য়ামদ্রবদা মীওই ৭৫ শিহনখিবা ট্রেন ক্রাস অদুগী মরমশিং থিজিনগনি হায়না কেম্মরুনগী প্রসিদেন্ট পাউল বিয়ানা নোংমাইজিং নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে। রেস্ক্যু ৱার্করশিংনা অকায়-অতোয় মরক্তগী অহেনবা অশিবা হকচাংশিং থিখি।

নুমিৎ নীনি লৈরগা মীওই খরনা সিটি অনীগী মেদিকেল সেন্টরশিংগী মপান্দা থেৎপা খুৎনা ইবা পেসেঞ্জরশিংগী লিষ্টশিংদা য়েংদুনা মখোয়গী মরূপ-মপাংশিং অমসুং ইমুংগী মীওইশিংগী পাউ লৌনবা হোৎনখি।

নোংমাইজিং নুমিৎতা গভর্ণমেন্টনা অশোক-অপন নংলবা মীওই ৬০০ লোমগী ট্রিটমেন্টগীদমক্তা মখা তানা ঈ দোনেসন তৌনরক্নবা আপিল তৌখি।

এক্সিদেন্ট অসি থোকখিবগী মরমশিংগী মতাংদা ঐহাক্না মপুং ফাবা ইনক্বারি অমা ওর্দর তৌখ্রে হায়না বিয়ানা ষ্টেট টিভিদা ফ্রেঞ্চ লোলদা হায়খি।

## দ্যুটর্টেগী ৱাঙাঙ-ৱাতাশিং, ক্রাইমগী লালগী মতাংদা য়ু এসনা ফিলিপিন্সতা চেকশিন-ৱা হায়খ্রে

মনিলা, ওক্টোবর ২৪ :

ফিলিপিন্সকী প্রসিদেন্ট রোদ্রিগো দ্যুটর্টেগী অকনবা ৱাঙাঙ-শাঙাঙশিং অমসুং ক্রাইমগী মায়োক্তা চথবা শাথিরবা লাল অসি মালেমদা অরুবা অমা ওইরক্লি হায়না য়ু এসকী টোপ ইনভোই অমনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা মনিলাদা ফোঙদোকখ্রে।

প্রসিদেন্ট দ্যুটর্টেনা হৌখিবা চয়োলদা মহাক্কী লৈবাক্না য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকা শেৎনরগনি হায়না লাউথোকখিবা মতুংদা য়ু এসকী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট ফ্যের ইষ্ট এসিয়ন এন্দ পেসিফিক এফেয়ার্স দানিয়েল রুশলনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা ফিলিপিন্সকী দিফেন্স অমসুং ফোরন মিনিষ্টরশিংগা উনখি।

দ্যুটর্টেনা য়াম্না থুনা মহাক্না ফোঙদোকখিবা ৱারোল অদুদগী হন্দোকখি অমসুং লৈবাক অদুগী চহী ৭০ শুরক্লবা মীচং ওইনবগী মরী অদু তৎননবা মহাক্না থৌরাং তৌবা লৈতে হায়খি। তৌইগুম্বসুং রুশলনা মালেমদা লৈরিবা মীওই কয়া ফিলিপিনো প্রসিদেন্টকী ঙাইহাক লৈতনা ঙাঙবা অকনবা ৱাঙাঙ-শাঙাঙশিংদা নুংনাংবা পোক্লরে হায়খি।

ৱাথোক ওইনিংঙাই ওইবা ৱারোলশিং, কম্মেন্টশিং অমগী মতুংদা অমা লেপ্পুনা ফোঙদোকপা অমসুং হৌজিক ফিলিপিন্সকী অশেংবা অপান্বশিং করিনো হায়বদু খঙদবসিনা লৈবাক কয়াদা চমম্নবা পোকহল্লে’ হায়না রুশলনা হায়খি।

‘ঐগী ৱাদা নত্তনা, গভর্ণমেন্টশিংদদা নত্তনা অতে কম্যুনিটিশিং, এক্সপেট্রিএট ফিলিপিনো কম্যুনিটিগা লোয়ননা কোর্পোরেট বোর্দরুমশিংদসু মহাক্কী ৱাঙাঙ-শাতাশিংদা নুংনাংবা পোক্লরে। মসি পুক্লিং থৌগৎনিংঙাই ওইবা ট্রেন্দ অমা নত্তে।’

রুশলনা হায়খি, মহাক্না ফিলিপিন্সকী ফোরন সেক্রেটরি পর্ফেক্টো য়াশয়দসু দ্যুটর্টেগী ক্রাইমগী মায়োক্তা চথবা লালগী মতাংদা অমেরিকানা নুংনাংলিবদুসু তমখ্রে। লাল অদুদা থা মরি ফাদবা মতমগী মনুংদা মীওই ৩,৭০০ রোম শিখ্রে অমসুং মদুনা লোনা য়াদবা মওংদা পাক্তক্লনা মী হাৎপগী থৌওং চথরে হায়বগী অকিবা পোকহল্লে।

সোসাইটিদা লৈরিবা দ্রগশিং মাঙহন্নবা মহাক্না হোৎনরিবশিংবু অমেরিকানা ক্রিটিসাইজ তৌরকপদা দ্যুটর্টেনা য়ানিংদবা তোয়না ফোঙদোকখি। মহাক্না প্রসিদেন্ট বরাক ওবামাবু ‘ওক্তবীগী মচানুপা অমনি’ হায়না হঞ্জিন-হঞ্জিন হায়খি।

মশামক সোসিয়েলিষ্ট অমনি হায়না ফোঙদোকচবা দ্যুটর্টেনা মহাক্কী লৈবাক্না য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকা মীচং ওইনবগী মরি হন্থদুনা চাইনা অমসুং রসিয়াগা হেন্না নকশিন্ননিংবগী অপান্বা ফোঙদোকখ্রবনি।

## হাইটিদা ইনমেট ১৭৪ না গার্দ হাৎলগা জেলদগী নান্থোকখ্রে, খুৎলায় কয়া পুখ্রে

অর্কায়ে, হাইটি, ওক্টোবর ২৪ :

হাইটিগী অৱাংথংবা লমদমদা লৈবা জেল অমগী ইনমেট অয়াম্বা হৌখিবা থাংজ নুমিৎতা গার্দ অমা হাৎপগা লোয়ননা নোংমৈনচিংবা খুৎশু-খুৎলায়শিং হুরাল্লগা নান্থোকখিবদগী য়ু এন পিছকীপ্পরশিংগী সপোর্টকা লোয়ননা মীচেল ১৭৪ থিবা-হুন্বগী থবক অমা হৌখ্রে হায়না ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

জেল অদুদগী হাইদোকখিবা লম্বীশিংদা পুলিসনা চেকপোইন্টশিং শেমগৎখি অমসুং আইদেন্টিটি কার্দ য়াওদবা মীওই কয়া দিটেন তৌখি হায়না ৱিটনেস অমনা ফোঙদোকখি। অদুম ওইনমক অর্কায়েগী জেলগী ইনমেট ২৬৬ য়ুনিফোর্মশিং শেৎতবা মরম্না জেলদুদগী নান্থোকখিবশিংনা মপান্দা মীশিংগা তোৎনবদা লায়না থোকহনখি।

মীওই খরনা ঈরুজরিঙৈগী মতমদা থোকখিবা জেল ব্রেক অদুদা ইনমেট ১১সু ফাখি হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখি। ইনমেটশিংদুনা গার্দশিংনা শিজিন্নবা এরিয়া অমদা নম্ফুদা চঙশিনখি অমসুং য়ামদ্রবদা রাইফল মঙাগা লোয়ননা অতৈ খুৎলায়শিংসু হুরানখি। গার্দ অমা মখোয়না কাপ্পুনা হাৎখি।

হাইটিগী মিনিষ্টর ওফ জষ্টিস কেমিলি ইদুৱার্দ জুনিয়রনা হায়খি, কেপিটেল পোর্ট-ঔ-প্রিন্সকী অৱাংথংবা কোন্থতা লৈবা অর্কায়েকী জেলদুদগী নান্থোক্লবা হোৎনবদা প্রিজনর অমা ৱালদগী তারগা মকোক য়ৈশিনবদগী শিখ্রে।

‘থৌদোক অদুদা গার্দ অমা হাৎখি’ হায়দা ইদুৱার্দ জুনিয়রনা রোইটর্জদা হায়খি। ‘প্রিজনর অহুম শোকখিবগী মনুংদা অমনা শিখি।’

ইনমেটশিং নান্থোকখিবদুগী মতুংদা গার্দতুঙী ঈহিং-নাইহিং শারবা হকচাং অদু জেলদুদা তাদুনা লৈখি অমসুং হুন্দোক্লম্বা সেন্দলশিংসু লৈমায়দা চাইরগা লৈখি।

হাইটিদা লৈবা য়ু এস এম্বেসিনা অর্কায়েদা জেলদগী ইনমেটশিং নান্থোকখিবগী শাথিরবা থৌদোক অমা থোক্লে হায়না সিক্যুরিটি মেসেজ অমা ইস্যু তৌখ্রে অমসুং য়ু এস সিটিজনশিংদা এরিয়া অদুদা চঙদনবা পাউতাক পীখ্রে হায়রি।


ꯁꯦꯝꯄꯨꯔꯦꯟ/ পাইল কেসকী কবিরাজ নসির খানবু থাগৎচরি



ঐগী হকচাংদা নুঙশংনা মরম ওইদুনা শৌজ-নান্থবা, অমাঙথোংগী অকোয়বদা ফুরি মকুপ মকুপ শৌরগা নাই চাবা, মরেং-মরেং চৎলগা হাক্তচবা, অমাঙথোংগী মপান্দা মখুল হুৎলকপা, খোঙ হান্বা য়াদবা, ঈ তাবা, খ্বাঙ নাবা তৌরম্বা অদু **MD. Nasir Khan @ Ibomcha Kabiraj ☎ 9615033039, 7085385283** দা চত্তুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপুংগী থৌজান্দগী মপুং ফানা ফরে। মরম অসিনা **নসির খান**-বু মপোকসিমগী কাউজরোই হায়না পাউ-চেগী থোংদা হন্না হন্না থাগৎচরি।

*লায়েংফম ঃ* **Haffiz Hatta JNIMS Road.**

*থাগৎচরিবী :* **Thingboi D.H.Q.**

*HL-B/3412/21/10-20/11*


**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**DIRECTORATE OF CONSUMER AFFAIRS, FOOD & PUBLIC DISTRIBUTION DEPARTMENT**

**NOTIFICATION**
Imphal, the 22nd October, 2016

**No. 1/910/2015-DCAF&PD:** In pursuance of Government approval conveyed vide letter No.1/2/2016-DCAF&PD dated 22nd October, 2016, CAF&PD Department invites application in the prescribed format from eligible and intending candidates for the following posts under this Directorate on temporary basis through sponsorship of the concerned employment exchanges in Manipur.

| Sl. No. | Name of Post | Pay Scale | No. of Post | UR | ST | SC | OBC | Essential Qualification |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1. | Civil Supply Inspector | Rs. 5200 - 20200 + G.P. Rs. 2800 | 10 | 6 | 3 | - | 1 | Degree from a recognized University |

Age:- 18 - 38 years. Age relaxation in respect of OBC/SC/ST/Government Employee as per existing Government orders shall be admissible.

2. The vacancies shown above may be increased or decreased according to the vacant post available out of the sanction posts in the Department.
3. Prescribed application form can be had on payment of Rs. 500/- for General candidates and Rs. 250/- for OBC/ST/SC candidates along with details of method of selection of suitable candidates from the office of the undersigned during office hours on all working days w.e.f. 25.10.2016.

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1) | Last date of submission of requisition from Employment Exchange | : | 6.11.2016 |
| 2) | Last date of submission of duly filled in application forms | : | 14.11.2016 |
| 3) | Issue of Admit Cards | : | From 15.11.2016 |
| 4) | Date of examination | : | 20.11.2016 |
| 5) | VENUE | : | MANIPUR COLLEGE |
| 6) | TIME | : | 10 a.m. to 1 p.m. |

Note: Candidates who collect the application forms for the post from the Directorate but not being sponsored by the Employment Exchanges shall not be issued Admit Card for appearing the exam.

Sd/-
(M. Yaiskul Meitei)
Director (CAF&PD), Manipur.

HL-B/3423/25




HL-B/3329/20/09-19/10


## ꯁꯊꯥꯛꯀꯤ ꯄꯥꯎ/EMPLOYMENT NEWS

### UPSC Recruitment 2016 – 74 Public Prosecutor, Assistant Public Prosecutor & Various Vacancies – Last Date 10 November

**UPSC Recruitment 2016**

Union Public Service Commission (UPSC) invites Application for the post of 74 Public Prosecutor, Assistant Public Prosecutor & Various Vacancies. Apply Online before 10 November 2016.

Advt. No. : 19/2016

**Job Details :**

Post Name : Public Prosecutor
No of Vacancy : 47 Posts
Pay Scale : Rs. 15600-39100/-
Grade Pay : Rs. 5400/-

Post Name : Assistant Public Prosecutor
No of Vacancy : 15 Post
Pay Scale : Rs. 9300-34800/-
Grade Pay : Rs. 4600/-

**Eligible Criteria for UPSC Recruitment :**

Educational Qualification :
For Public Prosecutor : Candidate should have Degree in law from a recognized university & seven year practice in bar council for criminal cases.
For Assistant Public Prosecutor : Candidate should have Degree in law from a recognized university.

Nationality : Indian

Age Limit : As on 27.10.2016

For Public Prosecutor : 35 years
For Assistant Public Prosecutor : 30 years

**Age Relaxation :**
For OBC Candidates : 3 years
For SC/ST Candidates : 5 years
For PH Candidates : 10 years

**Job Location : All India**

**Selection Process :** Selection will be based on Recruitment Test & Interview.

**Application Fee :** The candidates are required to pay a fee of Rs. 25/- either by depositing the money in any branch of SBI by cash, or by using net banking facility of the SBI or by using visa/master credit/debit card. SC/ST/PH/Women candidates who are exempted from payment of fee.

**How to Apply UPSC Vacancy :** Interested Candidates may apply online through UPSC website www.upsconline.nic.in on or before 10.11.2016.

**Important Dates to Remember :**
Last Date for Submission of Online Application : 10.11.2016
Last Date for Completely Submission of Online Application : 11.11.2016

***Important Links :***
*Detail Advertisement Link : https://upsconline.nic.in/ora/oraauth/candidate/download_ad.php?id=139*
***Apply Online :***
*https://upsconline.nic.in/ora/VacancyNoticePub.php*

### Hindustan Copper Limited – HCL Recruitment 2016 – 153 Executive Vacancies – Last Date 30 November

**HCL Recruitment 2016**

Hindustan Copper Limited invites application for the post of 153 Executive. Apply Online before 30 November 2016.

**Job Details :**
Post Name : Executives
No. of Vacancy : 153 Posts

**Pay Scale :**
For E1 : Rs.16400-40500/-
For E2 : Rs.20600-46500/-
For E3 : Rs.24900-50500/-
For E4 : Rs.29100-54500/-
For E5 : Rs.36600-62000/-
For E7 : Rs.43200-6600/-

**Eligibility Criteria for HCL Recruitment :**
Educational Qualification : Bachelor Degree in Relevant Engineering or Post-Graduate Degree in Geology or MBBS / MBBS with PG Diploma / Degree or Passed Final Examination of the Institute of Chartered Accountants of India / UK or Institute of Cost & Works Accountants of India / UK or MBA Finance or Bachelor Degree in Arts / Science / Commerce / Engineering with MBA specilisation in Personnel Management or Post Graduate Degree / Diploma in Personnel Management / Social Work / Bachelor Degree in Law or Graduate in any discipline with Post Graduate Degree / Diploma in Rural Development /Rural Management / Rural & Tribal Development / Social Work / Social Science with specialization in Community Development or Rural Development / Personnel Management / Sociology / Anthropology / Psychology / Applied Psychology / CSR or MCA with Minimum 60% marks in aggregate in Graduation as well as Post Graduation (55% for SC/ST) or equivalent.
Nationality : Indian

**Age Limit :**
For E1 : 35 years
For E2 & E3 : 38 years
For E4 & E5 : 45 years
For E7 : 54 years

**Job Location : All India**

**Selection Process :** Selection will be based on Written Test & Personal Interview.

**Application Fee :** General & OBC Candidates Have to Pay Rs.1000/- & SC/ST Candidates Have to Pay Rs.800/- through Internet Banking / Debit Card / Credit Card / Cash at any SBI Branch. No Fee for SC/ST Candidates.

**How to Apply HCL Vacancy :** Interested candidates may apply online through the website http://www.hindustancopper.com from 01.11.2016 to 30.11.2016.

**Important Dates to Remember :**
Starting Date for Submission of Online Application : 01.11.2016
Last Date for Submission of Online Application : 30.11.2016

***Important Links :***
*Detail Advertisement Link : http://www.hindustancopper.com/PDF/HCL_Rec_21102016.pdf*